থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) :
চাউখৎ থৌরাং কাঙলূপ সেগা লন্বী থৌদা ভাবোক লৈকায়গী চহীগী মীফম থা অসিগী ৪ দা পাঙথোক্তুনা নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে। থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি তখেল্লম্বম লেনিন্দ্রো মঙাংনা প্রসিদেন্ট, নাওরেম তোম্বনা জেনরেল সেক্রেটরি, লাইশ্রম চিংলেননা ট্রেজরর ওইদুনা অতোপ্পা মেম্বর ১৪সু এগজিক্যুটিব মেম্বর ওইনা খনখ্রে হায়না চাউখৎ থৌরাং কাঙলূপকী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস):
রিটয়ার্দ চীফ জষ্টিশ ওফ ইন্দিয়া জষ্টিশ প্রফুল্লা চন্দ্র নটাৱরলাল ভগৱটিনা থা অসিগী ১৫ দা লৈখিদবদা ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)না অৱাবা ফোঙদোরক্লি। অম্বাগী জেনরেল সেক্রেটরি দল্লিয়ু হরেন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মশাগী চহী ৯৫ শুখ্রবা জষ্টিশ প্রফুল্লা চন্দ্রনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। কুমজা ১৯২১ গী দিসেম্বর ২১ দা গুজরাটতা পোকখিবা পি এন ভগৱটিগী অপোকপা জষ্টিশ নটৱরলাল ঐচ ঘগৱাটি সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরম্মী। প্রভাবতিগা পূন্সি লৈপূন শেমদুনা মচানুপী অহুম লৈহৌরি। বোম্বে হায় কোর্টতা লিগেল প্রেক্টিসনর ওইনা প্রেক্টিশ তৌবা হৌরকখি অমদি কুমজা ১৯৬৭ গী সেপ্টেম্বরদা গুজরাট হায় কোর্টকী জজ হাপখি। মতুংদা কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিশ ওইখি। কুমজা ১৯৭৩ দা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জজ হাপখি অমদি কুমজা ১৯৮৫ দা ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিশ ওইখি হায়রি।

মীয়াম্না ঈ কৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস):
মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়দুনা কুমজা ২০০১ দা চঙশিনখিবা ঈহৌদা লৈখিদ্রবা অথৌবা / অথৌবীশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ব্লদ দোনেসন তৌখ্রে। ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন অমসুং য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরনা শীন্দুনা কেক্রুপাৎতা পাঙথোকখিবা ১৬শুবা দ গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দেগী থৌরমগা মরী লৈননা মফম অদুদা রিমসকী ব্লদ বেঙ্ককা খৃৎশম্নরগা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখি। ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা চীং অমসুং তমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীওই ৬৮ না ঈ কৎখি।

ভোলুন্টরি হেল্‌থ য়ুনিট কম্মিটি রিমস হোস্পিটালনা শীন্দুনা রিমসতা ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমসু পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা ডা. সী ঐচ অরুনকুমার, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট রিমসনা চীফ গেষ্ট, ডা. এ বারিন্দরনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং এম সুভাসচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইখি। কেম্প অদুদা মীওই ৪৭ না ঈ কৎখি।

লৈঙাক্লা পোলিসি শেম্মু

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস):
মহৌশাগী খৃৎশেম থুগায়দুনা মীওইবনা উমং কোকথোকপা অমদি উ-ৱা য়াম্ন্থৎপনা মরম ওইদুনা অঙৗং-অশাগী খল ঙাকপা ঙল্লক্তবনা মরম ওইদুনা মতম চাদনা নোং লেপ্তুনা চুবা অমসুং শাবগী চাং হেনগৎলকপনা অৱাবা কয়া মায়োক্লুরি। তম্পাক্কী লমশিং ফাওদুনা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈমায় খঙহৌদনা ৱাংখৎলকপা অমসুং তৎতনা ঈচাওগী অৱাবা নংলিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্লা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা মতম ওইরে হায়না মীয়াম্না ফোঙদোক্লরক্লি। মীয়াম্না তুরেলশিংগী হৌরকফম ওইরিবা চীং কোকথোকপা, তুরেল খোংনুংদা ফত্ত-হৌদি লংথবা, তোর্ব্বানদা য়ূম-কৈ, দুকান অমসুং মঙ শাজিনবা অসিনসু তুরেল থেনগৎ-হন্দুনা অমদি ঈচেল তপথহন্দুনা ঈচাও থোক্লকপা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লিবা অসি লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা চপ চাবা পোলিসি অমা শেমদুনা থবক পায়খৎপা মতম ওইরে হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

প্রিপাক্কী এক্তিব ৱার্কর অমা ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৮ : থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা মাঙজৌননা পাউ ফংবদগী থা অসিগী ১৫গী অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা সেকমাইজিং নিংঙোল খোং মনাক্কী ৱাটর সপ্লাই স্কিম মনাক্তা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং পাঙথোকপদা মারুটি ভেন নম্বর এম এন-০৪ / ১৪১৫ তোংদুনা লাকপা কৈরক কৈশাম লৈকায়দগী নাওরেম সুরজকুমার এলিয়স ননাও (৩৬) অপোকপা এন হেরাবি ফারে। মখা তানা ৱাহং পাউহং চথবদা মহাক হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী শেনফম মীয়ামদগী নমদুনা খোম্বদা চেন্নবা মীওইনি হায়না ফোঙদোরক্লি। মারুটি ভেন অদুগা লোয়ননা মরী লৈনবা চে-চাং কয়াসু ফাগৎলে। হিয়াংলম পি এসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা মখা তানা থিবা-হুন্বগী থবক চথরি হায়রি।

পি ঐচ ঈ মিনিষ্টরনা খাঙবোক এ সীগী মনুংদা লৈবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮(ঐচএনএস) :
পব্লিক হেল্‌থ এন্দ এঞ্জিনীয়ারিং মিনিষ্টর লোসি দিখোনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা ঙসি খাঙবোক এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর এল দিখোনা পাউমীশিংদা হায়খি, অসিগুম্বা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎ অসি অতোপ্পা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি খুদিংমক্তসু য়েংশিন্দুনা চপ মান্নবা মীৎয়েং থমদুনা চাউখৎনবা হোৎনগনি।

ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিনবা চৎপগুম অখন্ননা ঙসিসু খাঙবোক এ সী অসিদা য়েংশিনবা লাক্লিবনি।

খাঙবোক পার্ট-২গী ইমোইনু পুখ্রি ময়াদা পায়খৎলম্বা ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী থবক থৌরমশিং মপুং ফারে হায়দুনা কুমজা ২০০৯ দা শঙ্গারবা মতুং অন্দরগ্রাউন্দ পাইপশিং লোইনমক ফুক্তোকখিবা অমদি করিমত্তা তৌরমদবশিং অসিগী মতাংদা মীয়াম্না মিনিষ্টর দিখোদা পাউদমলকখিবদা মিনিষ্টরনা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না থিজিন্দুনা মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীরমখি।

অমরোমদা, প্রোগ্রেসিব ইংলিশ স্কুলগী মনিংদা লৈবা লমদিং ৱাটর সপ্লাই স্কিমনা থবক ফজনা তৌরম্বা উবদা পি ঐচ ঈ মিনিষ্টরনা অপেনবা ফোঙদোকখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফোর্মর ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জাদুমনিনা হায়খি, খাঙবোক পার্ট-২ অমসুং পার্ট-৩গী মীয়ামদা ঈশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা খাঙবোক পার্ট-২গী ইমোইনু পুখ্রি ময়াদা চহী ১৫গী মমাঙদগী হৌনা ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী থবক পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা পাইপ লাইন তিংবা হৌখি। অদুমকপু মপুং ফাদনা শাবা লোইশিন্দনা লৈখ্রে অমদি হৌখিবা জেনরেল ইলেক্সন মমাঙদা মফম অসিমক্তদা অমুক হন্না চপ মান্নবা স্কিম অমা শাবা হৌরকখি। মদুসু অদুমক মপুং ফানা শাবা লোইদনা লৈখ্রে। অসিগুম্বা থৌওং অসি এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুং চনবা শঙ্গাইয়ুম্ফমনচিংবা অতৈ মফমশিংদসু থোক্তবা নত্তে হায়খি।

এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম কয়ামরুম পায়খৎলবসু এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মীওই অয়াম্বনা টৌটি ঈশিং থকপা ফংদ্রি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চহী কয়া টৌটি ঈশিং থকপা ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা অসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর এল দিখোগা খৃৎশম্নদুনা কোকহন্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা পি ঐচ ঈ দি থৌবাল দিভিজনগী ঈ ঈ শ্যামসুন্দরনা লুচিংবা ওফিসলশিং অমদি বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী থৌপুবশিংসু শরুক য়াখি।

লৈঙাক্লা ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা মীৎয়েং চঙবীয়ু

ইম্ফাল, জুন ১৮(ঐচএনএস) :
ময়াং ইম্ফাল এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা চবুং কম্পেনিদা ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং কায়দুনা ঈশিং চেনশিল্লক্লিবা অসি থিংবা ঙমদ্রিঙে অসিদা অমুক ইম্ফাল তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলক্তুনা ঈশিং চেনশিল্লকপদগী ৱাঙ্গোই এ সীগী খুল অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনখিদুনা লৌফম কয়া মাঙ তাক্লে হায়না য়ুনাইটেদ মুস্লিম কম্মিটি (য়ু এম সী)না ফোঙদোরক্লি।

য়ু এম সীগী প্রসিদেন্ট এম এস খাননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান কায়দুনা মপুং ফানা থিংবা ঙমদ্রিঙে অসিদা অমুক হন্না তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলক্তুনা ৱাবগাই এ সীগী হৈনিংশোই লৌকোল, খামেন লৌকোল, উপোকপী লৌকোল, লাইরম লৌকোল, ৱাঙ্গোই লৌকোল অমসুং চবুং কম্পেনিগী লৌকোলনচিংবা অসি লোকপা য়াবা ফৌগী লৌকোল অমদি মমল য়াম্লবা ঙায়োক ফার্ম কয়ামরুম ঈশিং ঈচাওনা চাওনা মাঙহন-তাকহল্লে।

লোয়না লোয়ননা পাওবীতেক খুঞ্জাও, উপোকপী, ৱাঙ্গোই মখা লৈকায়নচিংবা খুলশিংগী য়ূম কয়ামরুম ঈশিংনা থুমজিল্লক্তুনা মফম অদুগী মীয়াম রিলিফ কেম্প হাংদুনা লৈ। অদুম ওইনমক রিলিফ কেম্পশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংগী অৱাৎপা কয়া মায়োক্লরে। নুমিদাংগী মতমদা মৈ থান্নবগী পোৎলমশিং লৈতবা লোয়ননা থক্লবা অফবা ঈশিং মরাং কায়না ফংদবনা মরম ওইদুনা ঈশিংদগী পোক্লকপা লায়না-তিন্না কয়ামরুম শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। মরম অদুনা ঙসিগী লৈঙাক্লা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা লমদম অসিদা মায়োক্লরিবা অৱাবশিং অদু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং অথুবা মতমদা পাংবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

স্পোট পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮(ঐচএনএস) :
কোলাবোরেসন ৱাল্ড ভিজন এন্দ চিলদ্রেন্স ক্লব, থাংমৈবন্দ ক্লষ্টরনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা স্পোট পেন্টিং কম্পিটিসন অমা ঙসি নুংথিল থাংমৈ-বন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দা লৈবা হৈখাম কালা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাহেংবম রোরকিচান্দ, মেম্বর জুবেনাইল জষ্টিশ বোর্দ বিষ্ণুপুর, জেমস হাওকিপ, সী এস এ এম ৱাল্ড ভিজন, শমজেৎশাবম মাঙ্গোলজাও, প্রসিদেন্ট এল এস কে দি এ অমসুং ঙাঙোম তেজকুমার, প্রসিদেন্ট টি আই সীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা ঙাঙোম তেজকুমারনা হায়খি, আর্ট এন্দ কলচরগী লম্‌দা মহৈ-মশিন্দা ওইরো, শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দবু ওইরো মণিপুরগী নুপীমচাশিংনা তোঙান-তোঙানবা হীরমদা মাঙজিল থারক্লি। ঙসি পাঙথোক্লিবা পেন্টিং কম্পিটিসন অসিগী থিম প্লে এন্দ পিছ হায়বসিদনি। লাইরিক-লাইশু তম্বদা পেন্টিং হায়বসি য়াওদবা য়াদে। য়ামদ্রবদা চহী ১৬ ফাওবদি মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু মোবাইল ফোন পায়হনবীগনু। মোবাইল ফোন পায়বদগী অরানবা ৱাখল কয়া খল্লক্তুনা ক্রাইম তৌরক্তবা নত্তে। ঙসি পাঙথোক্লিবা স্পোট পেন্টিং কম্পিটিসন অসি অফবা খোঙথাং অমনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা ৱাহেংবম রোরকিচান্দনা হায়খি, অঙাং ওইরিঙৈগী পূন্সি হায়বসি ইচম-চন্বা অরান-অহুই য়াওদ্রিবা মতাংনি। মরম অদুনা অঙাংশিং অসি পূলহনবা অমদি ৱারী শানহনবা অমদি পূন্না শান্নমিন্নহনবা য়াম্না তঙাইফদে। লাই য়েকপা চাংদম্নবা অদু কেটেগোরি অনী থোক্লা পাঙথোকখি। কেটেগোরি এ দা ক্লাস টু দগী ফাইব ফাওবা অমসুং কেটেগোরি বিদা ক্লাস সিক্সতগী নাইন ফাওবনি। থৌরম অদুদা পূন্না অঙাং ১০০ রোম্না শরুক য়াখি।

রোবার্ট নাওরেমগী কলেক্সনশিং উৎখ্রে

MI AN STYLE W AL
Global F ion Runwa xhibi

ইম্ফাল, জুন ১৮(ঐচএনএস) :
মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ফেশন হব অমা ওইরিবা ইটালিগী মিলান সীটিগী বর্সিলা মিলানো হোটেলদা মণিপুরগী ফেশন দিজাইনর রোবার্ট নাওরেমনা নাগা অমসুং কুকিগী সোলদগী শেমদোক্তুনা মণিপুরগী হেন্দলূমগী ইনফি অমসুং ফনেকনা ব্লাউজ ওইবা মহাক্কী কলেক্সন মালেমগী মীয়ামদা খুদোল তমখ্রে।

য়ুরোপ ইন্দিয়ন ফেশন কাউন্সিলনা শীন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না পাঙথোকখিবা মিলান ষ্টাইল ৱাঙ্কতা থা অসিগী ১৪ দা হেন্দলূম অমসুং টেক্সটাইলবু শৌগৎতুনা ইন্দিয়াগী ফেব্রিককী তোপ তোপ্পা কলেক্সন অদু শো অসিদা পুথোকপনি। মণিপুরগী রোবার্ট নাওরেম য়াওনা গোৱা, কোগ অমসুং রাজস্থানদগী দিজাইনর মরিনা শরুক য়াখি। শো অদু মিলান অমসুং অতোপ্পা সীটি কয়াগী ফেশনগী লম্‌দা খঙ-হৈরবা মীওই কয়ানা য়েংখি।

ইভেন্ট অসিদা দিজাইন তৌরবা ফিরোল কয়া দিজাইনরশিংনা উৎখি অমসুং অয়েংবা মীয়ামদা য়োনখি। দিজাইনর খুদিংমক্লা অদুগুম্বা মপুং ফারবা ফিজোল ৮ উৎনবগী খুদোংচাবা ফংলি। অসিগুম্বা রোবার্টনাওরেমগী কলেক্সন অসি মণিপুরগী ফিশাবীশিংদা কখোল্লবা খুদোল অমনি।

B.C.C. Manipur ꯕꯤ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)
Run by Resource Persons and Former Examiners
ADMISSION OPEN
FOR 2ND BATCH CLASS IX,X,XI & XII FOUNDATION COURSE-COHSEM & CBSE
CONGRATULATIONS!! CONGRATULATIONS!!
Our Selected Students for NEE-I Ent. Exam. 2017

Class starts on: 23rd June, 2017
Class timing: 4:30 p.m. to 7:30 p.m.
Office Hour: 4:00 p.m. to 8:00 p.m.
Limited Seat, Hurry Up!!!
Pl'z Contact: B.C.C. Manipur
(Elite Sr. Sec. Building)
Kakwa Asem Leikai, Burma Roaad
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856310202
HL-B/3947/17/06-16/07

ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস):
এন সী ঈ আর টি ন্যু দিল্লিনা শীন্দুনা কুমজা ২০১৭গী জুন ১৮ দগী ২০ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্ক-দৌরিবা নেসনল যোগ ওলেম্পিয়াদ ২০১৭ দা মণিপুর অমদি নোর্থ ইষ্টকী ওইনা সেকেন্দ ওল ইন্দিয়া যোগ চেম্পিয়নশিপ ১৯৮৩ দা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা অমদি হৌজিক্লা যোগ ট্রেনিং এন্দ রিছার্স সেন্টর মণিপুরগী চীফ ইন্সট্রক্টর অমদি সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরিবা নোংথোম্বম গঙ্গা জুরি ওইনা শরুক য়ারুনবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না সেন্টর অসিগী প্রসিদেন্ট থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ꯗꯨꯠꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ DUTTA CLINIC ꯗꯨꯠꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি



অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।
তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
নুপাগী প্রোব্লেম :
ফন্বী পাবা, ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।
নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।
নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।
ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।
নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্লনি।
ꯗꯨꯠꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal
HL-B/3917/05/06-04/07

নেসনল দেঙ্গী দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮(ঐচএনএস) :
দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া দিপার্টমেন্টকী দি এম ও, ডা. জামথিয়ানলাল বাল্টেগী লিচিং মখাদা ঙসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসরগী কনফরেন্স হোলদা মাঙজৌননা নেসনল দেঙ্গী দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মল্টিপর্পজ ৱার্করশিং অমসুং মেল হেল্‌থ ৱার্করশিং অমদি সী এম ও, ডা. কিমগাইচিং সিমটে অমদি মেলেরিয়া দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা ডা. সিমটেনা হায়খি, মল্টিপর্পজ ৱার্করশিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টাফশিংনা হেন্না ফবা মওংদা মতেং পীনদুনা খোঙজং চঙশিনবগী মরুওইবদু ফোঙদোকখি অমসুং হন্দক্তা গভর্ণমেন্টনা রিগ্যুলরাইজ তারক্লবশিং অদুগী সার্ভিসকী মরী লৈনবা তোলোপসু হেন্না মপুং ফানা ফংলগনি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহীদা লাইবক থীবদগী নর্স অমা শিখি অমসুং অদুগুম্বা হীদাক লাংথকশিং অদু লাইহৌ তৌরক্লে হায়দুনা শীজিন্নরোইদবনি। কনাগুম্বা অমা লাইহৌ হৌরকপা মতমদা য়েংশিন্দুনা দেঙ্গীগা মরী লৈনবা লাইহৌ ওইরবদি করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বদু য়েংশিনগদবনি। অসিগুম্বা লায়না অসি লায়েংনবগী উপায় লৈত্রি। মরম অদুনা প্রোগ্রাম অসিদা মীয়াম্বু হেন্না ৱাখল তাহনবা তঙাইফদে।

দেঙ্গীনা নারে হায়বা খঙলবদি মরুওইনা হকচাংদা মচী ওইবা চীঞাকশিং খক্তমক পীজগদবনি। অনাবা অদুদা মহী ওইবা চীঞাকশিং হেন্না পীজ-পীথকপগা লোয়ননা পেরাসিটামোল পীবীগদবনি। অসিগুমবা কাঙনা শন্দোকপা লায়না অসি ঙাকথোক্লনবা ষ্টাফশিংনা ভিলেজ কয়াদা চৎতুনা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্কদবনি। খ্বাইদগী মরুওইনা ঈশিং তুংহন্দুনা থল্লোইদবনি। লৈ থানবা পাত্রদা ঈশিং তুংহন্দুনা থম্বা অসিনা দেঙ্গী লায়না শন্দোরক্তুনা খ্বাইদগী হেন্নো খুদোংথীবা নংহল্লি। দেঙ্গীনা নাহল্লবা মীওইশিংদা চেকশিন থৌরাং মখা তানা লৌখৎপগা লোয়ননা ৱার্করশিংদা করম্না লায়না অসিদগী ঙাকথোক্কদগে হায়বদু মুন্না খঙহনগদবনি।

থৌরম অসিগী মতুংদা দি এম ও অমসুং মহাক্কী টিমনা তুইনোম ভিজেলদা লৈবা জে এন ভি স্কুলদা চৎতুনা য়েংশিনখি। মফম অদুদা লৈবা দেঙ্গীনা নারবা মহৈরোয় অমা হৌজিক জে এন হোস্পিটালদা লায়েংলিবনি অমসুং হোস্পিটাল অসিখক্তম দেঙ্গী লায়না লায়েংনবগী খুদোংচাবা ফংলিবনি।

ময়াই কাবা চীঞাক পুবা গাড়ীশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলগনি : কাদা

ইম্ফাল, জুন ১৮(ঐচএনএস) :
মণিপুরগী মফম পুম্নমক্তগী ময়াই কাবা চীঞাকশিং মুথৎনবা কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোলনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি কাদা অমদি নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী থৌমীশিংগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিনবদা অয়াংপল্লিদগী হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে।

পোৎলমশিং অসি থৌবালদগী হৈরোক চেনবা দিজল ওটো রিক্সো (এম এন ০৪ দি-১৭৫৯)গী দ্রাইভর নিংথৌজম ইনাও এলিয়স রাকেশ এলিয়স রামেশ কৌবা হৈরোক পার্ট-৩গী নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবা মীওই অসিনা থৌবাল কৈথেলদগী লৈরগা পুরকপনি। ওটো রিক্সো অসিদা পুরকপদগী ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুদি, তলব পেক্কেট অচৌবা ৩, রফটার পান মসালা পেক্কেট অচৌবা ৩ অমসুং য়ু লিটর অনীনি। পোৎলমশিং অসি কামজোংদা থবক শুরিবা শিন্নী-শিংগীদমক্তা পুশিন্নবা হোৎনরম্বনি।

ময়াই কাবা চীঞাক ওইরিবা হীদাক মনা অমসুং য়ুগী পোৎলমশিং অসি নোংপোক লৈঙাক অপুনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট য়ুমলেম্বম ওংবী মেম্মা অমসুং কাদাগী থৌমীশিংনা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী পার্সনেলশিংগা লোয়ননা অয়াংপল্লি ক্রোসিংদা মীয়াম মাঙদা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

লৈবাক মীয়াম অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং, দ্রগশিং অমসুং য়ু য়াওনা কন্না থিংনবা হোৎনরক্লিবশিং অসিগী মায়োক্তা মীওই খরনা অসুম্না তৌবসি লাইবক থীবনি। খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবা মীওইশিংবু মরূ ফংনা মাঙহন্নবা লাল্লোংনি। ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা য়ু, হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অমসুং দ্রগ পুরম্বা গাড়ী অদু খুদক্তা পার্মিট ককপীয়ু হায়রি।

লোয়ননা মণিপুরগী মনুংদা মীয়ামগী সার্ভিস তৌরিবা বস, টাটা, ওটো রিক্সো, মেজিক, ৱিঙ্গরনচিংবা গাড়ীগী এসোসিএসনশিংনসু গাড়ীশিং অদু এসোসিএসনদগী তাম্থোকপীয়ু। মখা তানা ময়াই কাবা চীঞাক পুথোক-পুশিন তৌরম্বা গাড়ীশিং অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা মিদিয়াগী খুথাংদা লৈবাক মীয়ামদা খঙহল্লগনি হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি এল সঞ্জিৎনা ফোঙদোরক্লি।

দল্লিং ফার্মরস ইনকম

ইম্ফাল, জুন ১৮ : এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা ষ্ট্রেটেজিস ফোর দল্লিং ফার্মরস ইনকম বাই ২০২২ শেম শাবগী প্রোসেস চথরি। মসিগীদমক্তা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা শেম শারিবা অসিগীদমক্তা ফার্মরসশিংগী দেটা খোমগৎনবা লাইন দিপার্টমেন্ট ওইরিবা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি, ফিশরি, সেরিকলচর, ফোরেষ্ট, কে ভি কেশিং অমসুং এ টি এন এশিংনা প্রেস্ক্রাইব ফোর্মেটতা ভিলেজ খুদিংমক্কী কুমজা ২০১১গী সেন্সসতা ফোঙখিবা ফোর্মেটশিং থাগৎলক্লবা ষ্টেট নোদেল ওফিসর দল্লিং ফার্মরস ইনকম বাই ২০২২ না খঙহল্লক্লি।

ইন্টরনেসনল যোগ দে

ইম্ফাল, জুন ১৮ : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিএসন তৌবা কোলেজশিংগী প্রিন্সিপালশিংনা থা অসিগী ২১ দা ইন্টরনেসনল যোগ দেগী থৌরম মশা-মশাগী কোলেজদা পাঙথোকপগা লোয়ননা প্রোগ্রাম অদুগী ওদিও / ভিদিও নৎত্রগা ফোটোগ্রাফশিং এন আই সীগী খৃথাংদা কম্যুনিকেসন তৌরক্লবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কোলেজ দিভলপ-মেন্ট কাউন্সিলগী দিরেক্টর প্রো. টি ঐচ রতনকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। থৌওং অসি এম ঐচ আর দিগী দিরেক্টিব মতুংইন্না চথরকপনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

CROSSWORD-2448



ACROSS

- 1 Oversees (10)
- 7 Abbreviate (7)
- 8 Sorcery (5)
- 10 Greasy (4)
- 11 European country (8)
- 13 Japan (6)
- 15 Dealer (6)
- 17 Madness (8)
- 18 Young cow (4)
- 21 Intense sorrow (5)
- 22 Unlawful taker of game or fish (7)
- 23 Adornment (10)

DOWN

- 1 Mar (5)
- 2 Compassion (4)
- 3 Kidnapper's demand (6)
- 4 Unripe (8)
- 5 Betrothed (7)
- 6 Amazing (10)
- 9 Anaesthetic (10)
- 12 Back and forth (2,3,3)
- 14 Leisure activity (7)
- 16 Imaginary perfect place (6)
- 19 Very pale (5)
- 20 Indian dress (4)

Solution 2447



SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2247

					6	5	7	4
		6						2
4	7			9		1		
7				6			1	
			8		5			
	2			7				6
		7		8			2	9
9						4		
2	3	1	9					

Solution-2246

7	8	2	1	9	5	6	4	3
1	5	3	4	6	8	7	9	2
6	4	9	2	3	7	5	1	8
2	6	8	9	1	4	3	7	5
9	7	4	8	5	3	1	2	6
3	1	5	6	7	2	9	8	4
4	3	1	7	8	6	2	5	9
5	2	7	3	4	9	8	6	1
8	9	6	5	2	1	4	3	7

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9